


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL,TUESDAY, FEBRUARY 14, 2017 **PAGE 7**




*বংলাদেশবু রন ২০৮ দা মায়থিবা পীখিবা মেটচতা মেন ওফ দি মেটচ মনা ফঙঙ্খবা কেপ্টেন বিরাট কোহলি*

*জিম্বাব্বেবু ব্রিকেট ৯ দা মায়থিবা পীখিবদা ইন্দিয়াগী মাইকৈদগী ব্রিকেট ৫ লৌদুনা য়াম্না চাওনা থৌদাং লৌখিবা স্পিন্নর পুনাম য়াদব*

## মিনর্ভা পঞ্জাব এফ সি না এ আই এফ এফ য়ুথ লীগকী টাইটল চহি ২ থংন–থংননা লৌখ্রে



*মুম্বাই, ফেব্রুৱারী ১৩ঃ*
মুম্বাইদা লৈবা কুপরে ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা এ আই এফ এফ য়ুঠ লীগ / নাইকি প্রেমিয়র কপ হায়না খঙনবা টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেলদা মিনর্ভা পঞ্জাব এফ সি জুনিয়রনা ওজোন এফ সি বু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল চহি অনী থংন–থংননা লৌবা ঙমখ্রে।

ফাইনেল মেটচ অদুগী মাংওইননা বাইচুং ভুটিয়া ১১ অমসুং অবিসেক বচন ১১ গী এক্সিবিসন মেটচ অমসু ঙসি শান্নখি। ফাইনেল মেটচতা শরুক য়ারিবা মিনর্ভা পঞ্জাব এফ সি অমসুং ওজোন এফ সি গী শান্নরোই পুম্নমক্তা নাইকি কম্পেনিনা শান্নবদা চংগদবা মচাকশিং অদু স্পোন্সর তৌখি।

মেটচ অদুগী হৌরকপদা মিনর্ভা এফ সি গী মাইকৈদগী জেক্সন সিংহ, সাইলো অমদি সহাজহনগী অপুন্বা পাঙ্গলনা ওজোন এফ সি গী মাইকৈদা ফজবা বোল কয়া পুশিনবা ঙমখি। অদুবু মখোয় অহুমগী অপুন্বা লাল্লোং অদুনা মেটচকী মিনট ১০ লোইশিল্লবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিবদগী টিম অদুগী লাল্লোং অমুক হোং দোকখি।

সহাজহন্না পোজিসন মমাং হায়গৎতুনা জেক্সনবু হেন্না মরাং কায়না বোল পুশিনবা ঙম্বগী তাঞ্জা অমা ফংবা পীখি। মদুদা কান্নবা য়াম্না থুনা ঙমখি। ১০ শুবা মিনটতা জেক্সন্না মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখি।

মেটচ মখা চত্থরকপদা মিনর্ভা এফ সি পঞ্জাবকী সাইলোনা শান্না কাওরখিবা ফজবা বোল অমা ওজোন এফ সি গী গোল কিপর মাইথিবা পীদুনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু ওইখি।

অহানবা হাল্ফ অদু লোইগদবা মিনট ৭ খক ঙাইশিল্লক্লবদা মিনর্ভা পঞ্জাবকী অতোপ্পা ষ্ট্রাইকর সহাজহননা কাওশিনখিবা ফ্রি কিক অমা পাঞ্জল ওইখিবদগী হাল্ফ মমাংদা মখোয়না ওজোন এফ সি বু পাঞ্জল ৩–০ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদসু মিনর্ভাগী শান্নরোইশিং অদুনা বোল হেন্না পায়বতা নত্তনা এটেক্ত চত্থবগী চাংসু হন্থখিদে। টিম অদুগী শান্নরোই অজ্রুদিন্না পুশিল্লকপা বোল অমা ওজোন এফ সি গী পেনালটি এরিয়া য়ৌশিলকপদা ওফ সাইদ তাই হায়দুনা খুদোংচাবা অদুসু মাংখি। এটেক্ত চৎথ–চৎথনা মিনর্ভাগী মাইকৈদগী অহানবা হাল্ফ অদুদা চনখিবা পাঞ্জল অহুমদগী মখা তানা চনবা ঙমখিদ্রবসু ওজোন এফ সি গী মাইকৈদগী পাঞ্জল অহুম অদু অমা ফাওবা হনে দাকপা ঙমদনা মিনর্ভা পঞ্জাব এফ সি না চেম্পিয়ন ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসি পুন্না ইনিদয়াগী তোঙান –তোঙান্বা ষ্টেটশিংদগী টিম ৫৫ না শরুক য়ারকপনি। চহি ১৬ মখাগী টুর্নামেন্ট অসি মিনর্ভা এফ সি না চেম্পিয়ন ওইদুনা মমাংগী টাইটল অদুসু মখোয়না দিফেন্দ তৌবা ঙমখি। চেম্পিয়ন ওইবা অসিনা তাকপদি মিনর্ভা পঞ্জাব এফ সি গী য়ুঠ দিভলমেন্ট প্রোগ্রাম অসি মগুন লৈবা অমা ওই হায়বসিনি।

## মণিপুর বোক্সর মেরি কোমনা বোক্সিংগী রিং অমদি পার্লিয়ামেন্ট অনিমক ময়োক্লরি



*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৩ঃ*
তোঙান তোঙানবা থবক অনি মায়পুনবগীদমক ফিলিপিন্সকী মেন্নি পেক্কাউগা চাংদম্নরুবদা মেরি কোমগী মায়থোং মকা লাম্না নোকথোরক্লবসু মতম অমত্তদা বোক্সর অমসুং পার্লিয়ামেন্টরিয়ন অনিমক ওইবা হায়বসি চপ মান্ননা ৱাবা অদুগা নুংঙাইবসু ওইবনা তরাইবা থবক্তিঃ নত্তে হায়না মঙারক ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখ্রবী মনিপুরি অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিৎতা ন্যুজ এজেন্সি অমনা লৌখিবা ইন্টরভিয়ুদা লৈবাক অসিগী অহানবা নুপী ওলেম্পিক বোক্সর মেদলিষ্ট অসিনা হন্দক্তা লোইশিনখিবা পার্লিয়ামেন্টকী বদজেট সেসনদা নুংঙাইবা ফাওরবসু মতম কোন্ননবা হোৎনবদা অৱাবা মায়োক্ল খিবশিং অদু ফোঙদোকখি।

মেরি কোমনা হায়, “চয়োল অনিগী মমাঙদগী ঐনা নেসনেল কেম্পতা শরুক য়ারকখি অদুগা বদজেট সেসনসু অথুবা মতমদা জনুৱারি ৩১দগী হৌরকখি। অদুনা ঐনা অয়ুক্কী পুং ৭তা আইজি ষ্টেদিয়মদা ট্রেনিংগীদমক চৎকনি অমদি য়াঙনা অমুক হল্লক্তুনা শেম শাবা লোইরগা পার্লিয়ামেন্টতা অমুক চুমদ্রিং লাক্কনি। মসি মতমগা লমজেল তান্নবগুম থোকই অদুগীসু মথক্তা অকনবা ট্রেনিং তৌরুরবা মতুংদদি অসুক্কি মতিক চোকথবা ফাওরকই। অদুবু অয়াম্বা মতমদা পার্লিয়ামেন্টকী মতৌ অসি শাফুকনবনা তুম্বগী নত্রগা উইবগী হায়বগী অকিবা নত্রগা মিৎকুপ অমত্তা তন্থবা লৈতে। অদুমকপু তশেংনা হায়রবদি নোংমা হায়বসি পুং ৪৮না শারল্লবদি হায়না ইশাদা খঞ্জরকই।”

পনবা য়াবদি, এসিয়ন চেম্পিয়ন মঙারক ওইখিবদা নত্তনা এসিয়ন গেমসকী গোল্ড মেদলিষ্ট অমসু ওইরিবা মশাগী চহি ৩৪ শুরবী মনিপুরি অসি মমাঙ চহিদা রাজ্য সভাগী মেম্বর অমা ওইনা হাপখিবনি।

ফিলিপিন্সকী বোক্সিং সুপরষ্টার মেন্নি পেক্কাউনা সিনেটর অমা ওইবদা নত্তনা হৌজিকমকসু বোক্সিং মখা তানা অদুমক শান্নরিবনা মেরি কোমবু মহাক্কা চাংদম্নবা য়াহল্লি হায়না পল্লুবদা লন্দন গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট অসিনা মখা তানা হায়, “অদুবু ঐদি নুপী অমা ওইরুবনা হেন্না থবক চিলহল্লি অমদি ট্রেনিং, পার্লিয়ামেন্ট, য়ুমদা ইশাগী থবক অদুগা অঙাংশিংবু শেন্নবা হায়বসি তৌদ্রবা য়াদ্রবা ইথৌ ঙাক্তনি।”

মহাক্কী অহানবা নুংশিজবা, খোইদাজবা বোক্সিংগী মতাংদা পল্লগদি মেরি কোমনা ওলেম্পিকক্তা অনিরক শুবা ওইনা শরুক য়ানবা মায় পাকপা ঙমদনা হোৎনখিবা তাঙ্কক মমাঙ চহিগী মে থাদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্স মতুংদগী ঙসি ফাওবা কম্পিট তৌদনা লাক্লি। অদুবু মতম খরগী মতুংদা মনিপুরি অসিনা কেজি ৫১গী ফ্লাইৱেট কাঙলুপ্তগী মহাক্লা ইন্টরনেসনেল মেদল অয়াম্বা লৌখিবা কেজি ৪৮গী লাইট ফ্লাইৱেট কাঙলুপ্তা অমুক হল্লক্লবা ৱারেপ লৌখি।

## কাবদি মশান্নগী টিম নত্রগা শান্নরোইশিং খুদিংমক্কী হকচাংগী অরুন্বা ওল্লগনি

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৩ঃ* ওরিয়েটেল ক্লবকী গোল্ডন জুবিলি য়াওশঙ স্পোর্টস ফেষ্টিভেল গী শরুক অমা ওইনা রাজ্যগী থাক্তা পাংথোকপা আইটেম অহুমগী মনুংদা অমা ওইরিবা কাবদি মশান্নগী টিম নত্রগ শান্নরোই খুদিংমক্কী হকচাংগী অরুন্বা ওনবগী নুমিৎ লাক্লিবা তাং ১৫–২–২০১৭ ইং য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৯ তাবা মতমদা ওরিয়েটেল ক্লবকী শংলেন্দা পাংথোকচগনি। শান্নরোইশিংনা ৱেঠ ওনবা লাকপা মতমদা মশা–মশাগী অধর কার্দ কা লোয়ননা মতম চানা লাক্কদবনি হায়না গোল্ডন জুবিলি য়াওশঙ স্পোর্টস ফেষ্টিভেল ওর্গনাইজিং সেক্রেটরীনা ফোংদোরক্লি।

## গোঞ্জালো হিগুৱান্না চনখিবা পাঞ্জল অনীনা কাগ্লিয়ারিবু মায়থিবা পীদুনা জুবেন্টস সেরি–এ গী পোইন্ট টেবলদা মাংজিল থাদুনা চৎপা ঙল্লি



*রোম, ফেব্রুৱারী ১৩ঃ*
ইটালিগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী চাওবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা সেরি–এ ফুটবোল গী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ২৪ রাউন্দগী মেটচ অমদা গোঞ্জালো হিগুৱান্না চনখিবা পাঞ্জল অনীনা জুবেন্টসপু কাগ্লিয়ারিগা শান্নবদা পাঞ্জল ২–০ দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মেটচ ২৪ লোইশিল্লকপদা পুন্না পোইন্ট ৬০ ফঙদুনা খ্বাইদগী নক্লবা টিম এ এস রোমাগী পোইন্ট ৭ হেন্দুনা মাংজিল থারগা চৎলি।

পনবা য়াবদি হিগুৱান হৌখিবা সিজনদা জুবেন্টস টিম্মা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ৯৫.৬১ দা সাইন তৌদুনা নৌনা শরুক য়ারকপনি। মমল য়াল্লবা শান্নরোই অমা ওইনা জুবেন্টসনা মহাকপু লৈখিবনি। মদুগী চপ চাবা মগুণ ঙাক্লা হিগুৱান্না ঙরাং চনখিবা পাঞ্জল অনী থারগা সিসন অসিদা পুন্না পাঞ্জল ১৮ শুবা ঙল্লি।


মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৩৭ শুবা মিনটতা জুবেন্টসকী ক্লোদিও মর্চিসিয়োনা খাইরকপা য়াম্না ফজবা পাস অমদা হিগুৱান্না পাঞ্জল অদু চনখিবনি।

অহানবা হাল্ফ অদু হিগুৱানগী পাঞ্জল অদুনা কাগ্লিয়ারিবু পাঞ্জল ১–০ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা ইকুই কুদ্রিঙৈ হিগুৱাননা অমুক হন্না ফঙখিবা বোল কাগ্লিয়ারিগী দিফেন্স লাইন লন্থোক্তুনা পুশিল্লকপা বোল অমা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ২–০ দা মাংজিল থাখি। শান্নবা লোইশিল্লবা ফাওবা স্কোর বোর্দ হোংখিদে। জুবেন্টসনা মায় পাক্তুনা লীগকী মকোক্তা লৈরি।

এ এস রোমানা মখোয়গী ২৪ শুবা রাউন্দ মেটচ অমদা ক্রোতোনবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ৫৩ ফঙলগা হান্না ৩শুবা পোজিসন লৈবদগী ২শুবা হায়গৎলকখি।

## ইন্দিয়ানা পাকিষ্টান মায়থিবা পীদুনা টি–২০ ৱার্ল্ড কপ ফোর ব্লাইন্দ লৌখ্রে



*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৩ঃ*
বেঙ্গলুরুগী এম চিন্নাস্বামি স্তদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা তি২০ ৱার্ল্ড কপ ফোর ব্লাইন্দগী ফাইনেলদা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন্স য়ূম্মু ইন্দিয়ানা পকিস্তানবু ৱিক্কেত ৯ দা মায়থীবা পীদুনা অনীরকশুবা ওইনা তাইতল লৌবা ঙমখ্রে।

রন ১৯৮ তান্দুনা মায় পাক্লবা শান্নখিবা ইন্দি–

য়ানা ৱিক্কেত অমখক তুরগা ওভর ১৭.৪ দা রন ২০০ লৌদুনা মেতচ অদু চাউনা মায় পাক্তুনা তাইতল অমুক হন্না কনবা ঙমখি।

ইন্দিয়া অমসুং পকিস্তান অনীনা লিগ অমসুং নোকআউত স্তেজশিংদা রন মশীং য়াম্না লৌনদুনা মায় পাক্লরকখি। ইনিদয়ানা মেতচ মাপন শান্নখিবদা পকিস্তানগী মখূত্তা মায়থীখিবা মেতচ নত্তনা অতৈ মেতচ নিপানমক মায় পাকপা ঙমখি। পকিস্তানগী ওইনা মায়থীবা

নংদনা ফাইনেল চঙলকখি।

ওপনর প্রকাশ জয়ারাময়াহনা নোত আউত্তা রন ৯৯ লৌদুনা ইন্দিয়াগী তোপ স্কোরর ওইখি। মহাক্কী রনশিং অদুনা ইন্দিয়ানা মেতচ অদু মায় পাক্লবগী রন মশীং অদু তান্নবা হোৎনবদা চাউনা মতেঙ ওইখি। মহাক্কী ওপনিং পার্তনর অমসুং তিম কেপ্টেন অজয় কুমার রেদ্দি (রন ৪৩) গা লোয়ননা অহানবা ৱিক্কেত তুবা ফাওবদা রন ১১০ লৌখি। নম্বর থ্রি বেতসমেন ওইনা থোরকখিবা কেতন পতেল শোক্তুনা রন ২৬ লৌরম্লগা পোত্থাখি, অদুবু জয়ারাময়াহনা মখা তানা পকিস্তানগী বোলরশিংবু চপ চানা মায়োক্লদুনা রনশিং লৌথখি। মহাক্লা বোল ৬০ দা ফোর ১৫ থোমদুনা রন ৯৯ লৌবা ঙমখি।

অঙনবদা তোস ঙল্লবা মতুং বেটিং খনখিবা পকিস্তান্না ওভর ২০ দা ৱিক্কেত ৭ তুরগা রন ১৯৭ লৌখি। মখোয়গী বেতসমেন বদর মুনিরনা বোল ৩৭ তা রন ৫৭ লৌদুনা মখোয়গী চেল্লেঞ্জিং তোতেল অদু লৌনবা হোৎনবদা মতেঙ ওইখি। মহাক্কী ওপনিং পার্তনর মুহম্মদ জমিল (২৪) গা লোয়ননা মুনিরনা ওভর ৫.২ দা রন ৫৮ লৌদুনা ফীবম ফনা হৌখি। গনেশ বাবুভাই মুন্দাকরনা জমিলগী ৱিক্কেত লৌথোক্তুনা ইন্দিয়াগী অহানবা ৱিক্কেত লৌবা ঙমখি, অদুবু মুনিরনা অমির ইশফক্কা পাদুনা মখা তানা রনশিং লৌনবা হোৎনখি। অনীশুবা ৱিক্কেত ফাওবদা মখোয় অনীনা পার্তনরশিপ রন ৬০ লৌরমখি।

অদুমওইনমক, মখোয়গী মখা তাবা ৱিক্কেত অহুম তুবদা রন ২৩ দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদে। পকিস্তান্না ওভর ১২.১ দা ৱিক্কেত মরি তুরগা রন ১৩২ লৌখি। মখোয়না ওভর ২০ মপূং ফানা শান্নখিবদা ৱিক্কেত ৮ তুরগা রন ১৯৭ লৌখি। ইন্নিংস অদুদা ইন্দিয়াগী কেতন পতেল অমসুং জফর ইকবালনা ৱিক্কেত অনী অনী লৌখি। ইন্দিয়াগী বেতসমেনশিংনা দোমিনেত তৌনা শান্নরদুনা অহানবা ওভর ১০ দা ৱিক্কেত অমা ফাওবা তুদনা রন ১০৯ লৌখি। অজয় রন আউত ওইখি। শোক্তুনা পোত্থাখিবা কেতন পতেল মপূং ফানা শান্নরমদ্রগসু ইন্দি–

য়ানা ইকোম কোম্না পকিস্তানগী তোতেল অদু ফোর অমগা লোয়ননা লান্থোক্তুনা মায় পাকপগী মায়কৈ চুমখি।

পকিস্তানগী বোলরশিংনা ৱিক্কেত অমত্তা লৌবা ঙমখিদে। ইন্দিয়ানা বোল মরি লেমহল্লদুনা মায় পাক্লবগী তার্গেত রন মশীং অদু লান্থোকখিবগা লোয়ননা অনীরকশুবা ওইনা ৱার্ল্ড তাইতল অদু থংননা লৌবা ঙমখি।

জয়ারাময়াহগী শীংথাবা য়ারবা ইন্নিংস অদুনা ঙসিগী ফাইনেল মেতচ অদুগী মেন ওব দ মেতচ তাবা ঙমখি, অদুগা মুনিরনা তুর্নামেন্ত অদুদা রন ৫৭০ লৌদুনা মেন ওব দ সেরিজ এৱার্দ লৌখি।

## ৱিন্তর এয়র ৱিপন শুতিং কম্পিতিসন ২০১৭ পাংথোকখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৩ঃ*
মণিপুর রাইফল এসোসিএসন্না শীন্দুনা অহানবা ৱিন্তর এয়র ৱিপন শুতিং কম্পিতিসন ২০১৭ এসোসিএসন অসিগী য়ুনিত মরিদগী লাকপা শুতর ৬০না শরুক য়াদুনা খুমন লম্পাক শুতিং রেঞ্জদা ২শুবা মণিপুর রাইফলগী কমান্দেন্ত থোকচোম বিক্রমজিৎ সিংনহা চীফ গেস্ত ওইদুনা হৌদোকখ্রে।

নুমিৎ নিপান্নি চুপ্পা চত্থগদৌরিবা শুতিং কম্পিতিসন অসিগী ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা ইম্ফাল ৱেস্তকী এদিসনেল এস পি (ওপস) সরাংথেম ইবোমচা সিংহনা গেস্ত ওব ওনর অদুগা মণিপুর রাইফল এসোসিএসনগী সেনিয়র ভাইস প্রসিদেন্তসু ওইরিবা নেসনেল রাইফল এসোসিএসন ওব ইন্দি–য়াগী সেক্রেতরি এম রাচন্দ্র সিংহনা প্রসিদেন্ত ওইদুনা হৌদোকখি। শুতিং কম্পিতিসন অসি চহী ১২ মখাগী কাঙলুণঞ্জগী হৌরগা চহী ৫০ ফাওবগী ভেতরান কম্পিতিসনশিং পাঙথোক্কনি। কম্পিতিসন অসিগী হেন্না নুংঙাইগদবা অমনা এয়র পিস্তোল অমসুং এয়র রাইফলগী ওইনা কেতেগরি খুদিংমক্কী মকোক ওইরকপশিং পূন্না চেম্পিয়ন ওব দি চেম্পিয়ন ওইবা অমা খনগদৌরি। মিতর তরাগী এয়র পিস্তোলগী ওইনা চহী ১২, ১৫, ১৮ অমদি ২১ মখাগী কম্পিতিসনশিং পাঙথোক্কনি। চহী ২১ মথক্তগী হৌরগা ওপন কেতেগরিশিং লোয়ননা ভেতরানগী কম্পিতিসনশিং পাঙথোক্কনি। কেতেগরিশিং অসি পোইন্ত ১৭৭ পিপসাইত এয়র রাইফল ইভেন্ততসু পাঙথোক্কনি হায়রি।